# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 21-02-2026)**

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য পুলিসনা চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা আইন কায়বা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক মখা তানা চেকশিন থৌরাং অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক থৌরমশিং মখা তানা চখৎখরি।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী পাউনা হায়-ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চখৎবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমফেল পুলিস ষ্টেসননা কোনবা তেরা লুক্রাম লৈরক এরিয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চখৎবদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি. (পি.এস.সি) গী এক্তিব কাডর অমা ফারে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসননা কোনবা চীংখৈ চীংগী ফুট হিল এরিয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চখৎবদা মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, পোইন্ট টু টু রাহফল অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. এস.এম.জি. করবাইন অমা, হেন্দ গ্রেনেট অনি, এক্সপ্লোসিপ বোম অমা, আইতি এম.কে. ৱান গ্রেনেট অমা, করবাইনগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৫৭, লেথোদ সেল অহুম, এস.এল.আরগী ইমতি কেস অনি, ইনছাস মেগজিন মরি, এস.এল.আর. মেগজিন অমা, পিষ্টোল মেগজিন অমা, ট্যুব লোঞ্চর অনি অমসুং থ্রি নোট থ্রি চার্জর ক্লিপ অনি ফাগৎখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা খুমীদোক মসজিদ মনিংদগী মনিপুর পুলিসনা মীওই অমা ডব্লিয়ু.ৱাই.টেব্লেটকা কোন্ননা ফাখি। মীওই অসিদগী গ্রাম ৫৫০ রোম লুম্বা ডব্লিয়ু.ৱাই.টেব্লেটশিং ফাগৎপা ঙমখি।

সেক্যুরিতি অমসুং ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং ইগজকিটিব মেজিষ্ট্রেটকী অপুনবা কাংবু অমনা চুরাচান্দপুর জিলাগী হেংলেপ পুলিস ষ্টেসননা কোনবা মোংকেন এরিয়াদা লম হেক্তর ২০ লোমদা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং য়ান্থৎতুনা

মাঙহনখি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা সেক্যুরিতি ফোর্সনা সেনাপতি জিলাগী নাকা চেক পোইন্ট টি-খুল্লেনদগী চাকা মরি পানবা গাড়ি অমগা লোয়ননা মীওই অনি ফাখি। মখোয়দগী কিলোগ্রাম ৬৬০ রোম লুম্বা ব্রাউন্দ সুগর সোপ কেস ৪৮ য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎখি।

সেনাপতি জিলাগী মাও পুলিস ষ্টেসননা কোনবা কাংজাং হিলস রেঞ্জতা লম হেক্তর ১০ রোমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং ইগজকিটিব মেজিষ্ট্রেট য়াওনা সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী অপুনবা কাংবু অমনা য়াম্থৎতুনা মাঙহনখি অমসুং মফম অদুদা শারম্বা খাঙপোকশঙ কয়াসু মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখি।

**লোশি দিখো(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং নুংশি চান্নবা পুরকবা হোৎনসি হায়বা উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোশি দিখোগী পাউজেলগা লোয়ননা ৭৮ শুবা জোমী-নাম-নি ২০২৬, ঙরাংদগী চুরাচান্দপুর জিলাগী ন্যু লমকাদা লৈবা ই.বি.সি. গোসপেল সেন্টিনারিদা হৌদোকখ্রে। নুমিৎ হুমনি চথুগদবা থৌরম অসিগী নুঙগী ওইবা হীরমদি-ইনদ্যুরিং পৱার ওফ আইদেন্টিতি এন্দ ত্রেদিসন হায়বসিনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা উপ মুখ্য মন্ত্রি-শ্রী দিখোনা হায়-জোমী ফুরুপশিংগী ফজরবা নাৎ অমসুং কালা সংস্কৃত্তিগী শক্তমশিং লৈজৈ। মহাকা হায়-ঐখোয় মশেল মরক্তা অমগা অমগা ইকায় খুমবা, নীংথিনা পাউ ফাওনবা অমদি লমদম অসিদা ইং তপ্পা হনজিল্লকবা হোৎনবদা জোমী ফুরুপশিংনা লৌরিবা থৌদাং ইকায় খুমফম থোকই। মহাকা হায়-জোমি ফুরুপশিংনা মমাংদা পীশিল্লকখিবা মেমোরেন্দমদা য়াওবা ৱারোলশিং রাজ্য সরকারগী মায়কৈদগী মপুং ফানা থবক্তা ওন্থোকবা হোৎনরি। মসিগী মথক্তা রাজ্য অসিদা লৈরিবা আই.দি.পিশিংদা ৱেলফিয়ার স্কিম য়াওনা পীবা য়াবা খুদোংচাবশিং পীনবা থৌরাং

তৌরি।

**ভালতে (এল)ঃ** থানলোন বিধান সভা কেন্দ্রগী এম.এল.এ. বুংজাগীন ভালতেনা লৈখিদবদা লুচিংবা কয়ানা অৱাবা ফোংদোকরক্লি।

মহাকা লৈখিদবদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা অৱাবা ফোংদোরক্লি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-লৈখিদ্রবা বুংজাগীন ভালতে মীয়ামগীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা নুংশি চান্নবা পুরকবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লেৌরম্বা মীশকনি। মহাক্কী পুন্সিনা খুন্নাইবু মাংলোমদা চংশিন্নবগীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা সেবা তৌরমখি। মহাকা লৈখিদবা অসি অচৌবা মাংজবা অমনি। লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুং অমসুং মরুপ-মপাংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি।

এম.এল.এ. সৈখ নুরুল হাসনসু বুংজাগীন ভালতেনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

**থাংজ (এল)ঃ** লমদম অসিদা মহৌশাগী চৎনবী অমদি লাইনিং লাইশোলগী থবক থৌরমশিংগা লোয়ননা লমতাগী অহানবা থাংজ নুমিৎকী থৌরম পাঙথোক রি।

মসি লাইনিং লাইশোলগী থবক থৌরমশিংগা লোয়ননা শারোই ঙারোইশিংদা চাকথাক তমদুনা কুম অমগী থোক্কদবা অৱা অনা পুমমক ঙাকথোক বা পাঙথোকপনি। থৌরম অসি মনিপুরিশিং মরুওইনা মীতৈনা নমা খুন্দাবা মফমশিং য়াওনা তম্পাক্কী মফম অয়াম্বদা পাঙথোকরি।

**ডে (এল)ঃ** খা মনিপুর কলেজ ককচিংগী রিছার্স এন্দ দিবলপমেন্ট সেল অমদি ইন্টরনেল ক্বালিতি এসুরেন্স সেলনা শিনদুনা ঙরাং কলেজ অসিগী মল্টি পরপজ হোলদা নেসনেল সাইন্স ডে ওবজারভেসন ২০২৬ পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার এন. রাজমোহোননা হায়-সার চন্দ্রসেখরা ভেনকতরামননা লাইটকী মরমদা থিজিনদুনা রমন ইফেক্ট পুথোকখিবা নুমিৎ ফেব্রুৱারী ২৮ বু নীংশিংদুনা লৈবাক অসিনা নেসনেল সাইন্স ডে পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

নুমিৎ অসিগী হীরমদি, ৱিমেন ইন সাইন্স কেটলাইজিং ভিক্সিত ভারত হায়বসিনি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোইশিংগী কুইজ কম্পিটিসন পাঙথোকখি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট ত্রান্সপোর্ট ওফিসার-জিরিবামনা হায়রি-মোটোর ভেহিকলস এক্ট ১৯৮৮ কী মতুং ইন্না কনাগুম্বা মীওইশিংনা মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংগী অয়াবা য়াওদনা গাড়িশিং শেমদোক শাদোকপা য়ারোই।

চেরোল অমদা ত্রান্সপোর্ট ওফিসারনা হায়-রোড সেফতিগী চৎন-কাংলোন য়াওদবা, মখোন কা হেন্না থোকপা অমসুং ইয়ার পোলুসন থোকহনবা গাড়িশিং মীয়াম তিনবা মফমদা থৌবা য়ারোই হায়রি। হায়রিবশিং অসি ইন্দবা গাড়ি মপুশিং আইনগী মতুং ইন্না দন্দি ফংগনি।

**মনকিবাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩১ শুবা ইপিসোদ হয়েং অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং হনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মনিপুরগী এস.আই.আরগী থবক লাক্লিবা এপ্রিলদগী হৌরগনি হায়বা পাউ, থানলোন এ.সিগী এম.এল.এ. বুংজাগীন বালতে লৈখিদবগী পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মনিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

পাউশিং অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, হুইয়েন লানপাউ, সনা লৈবাক, মনিপুর মেল, গানফিয়ু মেল, তমেংলোং টাইম অমসুং হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস পাউচেশিং অসিদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

সুপ্রিম কোর্টতা সি.এ.এ. মে মঙাদগী হিয়ারিং অমসুং এম.য়ুগী সপ্লাইদা শেঞ্জা থুমজা ই.দিগী কেস, চার্জসিটকা মরী লৈনবা চেশিং পীনবা মতম মার্চ অনিদা লেপখ্রে হায়বসিনা অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

থানলোন এ.সিগী এম.এল.এ. বুংজাগীন বালতে লৈখিদ্রে হায়বা পাউ অসি পাউচে অসিমক্কী অহানবা লমাইদা ফোংলি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি অমদি অতৈ পাউচে অয়াম্বদসু হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

মনিপুরগী এস.আই.আরগী থবক লাক্লিবা এপ্রিলদগী হৌরগনি হায়না ইলেক্সন কন্মিসননা খঙহল্লক্লে হায়বসিনা পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। এম.এম. ঙৌবনা আর.পি.এফকী প্রসিদেন্ট ওইরে হায়বা পাউ, পাউচে অসিমক্কী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি সনা লৈবাক য়াওনা অতৈ পাউচেশিংদসু ফোংনরি।

এদিটর লোয়ালাকপদা এট্টেক চত্থরম্বদা চেন্নবশিং এক্সন লৌখৎনবা সি.এমদা তকশিনখ্রে। পাউমীদা খুৎ থাবগী থৌওং য়ানিংদবা উৎতুনা ব্রাকৎ

মীফম চথখ্রে হায়বা পাউ সনা লৈবাক্কী এঙ্কর কলমদা ফোংলি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং, তমেংলোং টাইমস অমসুং মনিপুর মেল পাউচেশিং য়াওনা পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লামাইদা ফোংনরি।

বোর্ডর এরিয়াশিংদা মাইগ্রেসন থিংদুনা ইনফিলত্রেসনদগী ঙাকথোকবা ঙমখৈ পরিংদা লৈবা খুঙ্গংশিং শেমগৎ শাগৎলগনি হায়না হোম মিনিস্তর অমিত সাহনা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চীফ মিনিস্তর ৱাই. খেমচান্দনা লোক ভাবনদা গভনর-এ.কে. ভালাগা উন্নখ্রে। ফেব্রুৱারী ২৬ কী মমাংদা অৱাৎপা মিনিস্তরশিং ৱাশক লৌদুনা হাপচিন্নবা মান্দব খনবা হৌরে হায়বা পাউ অমসুং সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন এক্ট ২০১৯ শিংনরকপা পিটিসন ২০০ হেনবগী ফাইনেল হিয়ারিং সুপ্রিম কোর্টনা মে মঙাদা পাঙথোক্লগনি হায়বসিনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কুকি লালহৌলুপশিংনা ৱাফোং খুলদা লৈবা ইনপুই নাগাশিংগী লফোই ফার্ম কয়া মৈ থাদোক্লক্লে হায়বসিনা সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

রিটয়ার্দ লেফটনেন্ট জেনরেল-এল. নিশিকান্ত চীফ মিনিস্তরগী এদভাইজর ওইনা এপোইন্ট তৌখিবগী পাউ গানফিয়ু মেলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।